AIDS InfoNet www.aidsinfonet.org Fact Sheet Number 505

SAATHII Solidarity and Action Against The HIV Infection In India

# শিংলি নাওরিগী নুংঙাইতবা অমসুং ডেমেন্সিয়া

**শিংলি নাওরিগী নুংঙাইতবশিং অসি করিবু খঙনবগে?**

মীওইবগী শিংলি নাওরিগী শরুক অসি মখল অনি থোক্লা লৈ। ব্রেন অমসুং স্পাইনেল কোর্ড (য়াংলেন শরুগী শিংলি) অসিনা সেন্ট্রেল নার্ভস সিষ্টেম (সিএনএস) কৌই। হকচাংগী অতোপ্পা শিংলিশিং অমসুং মসলশিংবুনা পিরিফিরেল হায়বদি অকোয়বদা লৈবা নার্ভস সিষ্টেম হায়না খঙনৈ।

ঐচআইভিগা লোয়নরিবা মীওইশিংদা শিংলি নাওরিগী সমস্যা কয়ামরুম লৈবা য়াই। খ্বাইদগী য়াম্না তোয়না থোক্কনবা নুংঙাইতবা অসি পিরিফিরেল ন্যুরোপেথি হায়বা অসিনি। মসিনা হকচাংগী খুৎশা শিংহল্লিবা শিংলিশিংদা শোকহল্লি। হকচাং ইপঙ পঙথবা, জিং জিং লাওবা নৎত্রগা খোঙ অমসুং কমলাক্তা ইশোন শোন্থবনচিংবা লাইওং কয়া য়াওই। অহেনবা ৱারোলগীদমক ফেক্ট সীট ৫৫৫ নৈনবীয়ু। পুক্লিং ৱাখল শোন্থবা অমসুং তুম্বা য়াদবা, চৎপা নুংঙাইতবা, ৱাখল খন্থবদা ৱাবা অমসুং নীংশিংবা ৱাৎলকপগী নুংঙাইতবশিং অসি সেন্ট্রেল নার্ভস সিষ্টেম (সিএনএস)গী সমস্যাশিংনি।

এইডসনা থোরকপা নৌরিঙৈ মতমদদি হায়রিবা লাইওংশিং অসি ঐচআইভি-এসোসিয়েটেদ ডেমেনসিয়া হায়বদি এইডসকা মরী লৈননবা ৱাখল শোন্থবগী লায়না ওইনা খঙনরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি মসিদগী হেনবা সমস্যা কয়া উথোক্লি। হৌজিক্তি লাইওংশিং অসিবু ঐচআইভি-এসোসিয়েটেদ ন্যুরোলোজিকেল ডিষ্টর্বেন্সেস (HAND) হায়না খঙনৈ। মসিদা য়াম্না হেন্না লুবা নত্তবা মাইনর কোগনিটিব মোটোর ডিসওর্ডর হায়বা লাইওংশিংবু খঙনৈ।

কম্বীনেসন এন্টি রেট্রোভাইরেল থিরাপি (এআরটি) ফংদ্রিঙৈগী মতমদা, এইডসনা শোকহল্লবা মীওইশিংগী চাদা ২০দি য়াম্না শাথিবা মওংদা ডেমেনসিয়া তৌই। হৌজিক্তি ময়াক কনবা এন্টিরেট্রোভাইরেল হীদাকশিং শিজিন্নবদগী অরুবা মখলগী ডেমেনসিয়াগী চাং অসি য়াম্না হন্থরে। অদুবু, কুইনা হিংবগী চাং ৱাংখৎলকপগী মতুং ইন্না এইডসনা শোকহল্লবা মীওই কয়া শিংলি নাওরিগী নুংঙাইতবগা লোয়ননা হিংলি। হায়রিবা শিংলিগী নুংঙাইতবশিং অসি ঐচআইভিগা লোয়ননা হিংলিবা মীওইগী চাদা ৪০-৭০ মুক্তি থেংনরমগনি হায়না পানরি। ফিভম অসি এআরটি শিজিন্নরিবা মীওইশিংগীসুনি।

মীওইবগী ব্রেন অসিবু মপানগী পোৎশকশিংদগী ঙাকথোকচনবগী হকচাংগী ওইবা পান্থৈ লৈজে। মসিবু ব্লড-ব্রেন বেরিয়র হায়না খঙনৈ। মসিনা চারিবা ঐচআইভিগা মরী লৈনবা হীদাকশিং অদু ব্রেন য়ৌহন্দনা থম্মী। করিগুম্বা ঈগী ভাইরেল লোড মশীং অদু হন্থখিবা মতমদা, মসিগী বেরিয়র অসিসু ব্রেনদা হন্থখি। ব্রেন মনুংদা চঙবা ঙম্বা ঐচআইভিগা মরী লৈনবা হীদাকশিং শিজিন্নবদগী য়াম্না শাথিবদি ওইদবা শিংলি নাওরিগী নুংঙাইতবশিং হন্থহনব্রা হায়বা খঙদ্রি। মতাঙ অসিদা থিজিন ৱারোলগী ফলশিং অদু রাই তাবা ঙমদ্রি।

**সিএনএসকি সমস্যাশিং লোয়নরে হায়বগী খুদম করি লৈবগে?**

শিংলি নাওরিগী নুংঙাইতবা খরদি য়াম্না অথুবা মতমদা লায়েংবা দরকার লৈ। লাইহৌ য়াওনা য়াম্না শাথিনা কোক চীক্লকপা, ঙক লৈবা য়াদবা, ওবা নৎত্রগা মীৎ নুংঙাইতবা থোক্লবদি অদোমগী লায়েং পীবিরিবা মীওই অদুগা তানবীয়ু। য়াম্না অনৌবা মওংদা হকচাং শোন্থরক্লবা নৎত্রগা হকচাং ইপঙ পঙলবা ওইরগদি লায়েংবীরিবা মী অদুগা খুদক্তা তানবীয়ু।

শিংলি নাওরিগী অনাবশিং অসি অনম্বনা ৱাখল খনবগী মওং, লমচৎ-শাজৎ অমসুং হকচাং লেং-ওৎপগী মওংদগী খঙবা ঙমই।

১) ৱাখল খনবগী মওং ঃ কাওগনবা, পুক্লিং চঙবা ঙমদবা, ৱাখলগী পাঙ্গল হন্থরকপা অমসুং গ্যান তাবা হন্থরকপা। হায়রিবা অসিদা অদোম্না তোয়না শিজিন্নবা টেলিফোন নম্বর কাউরকপা, দুকান্দা পৈশা হন্দোক-হঞ্জিন তৌবদা চঙবা অরায়বা অঙ্ক হায়বদি খাইদোকপা তিনশিনবা ৱাশিল্লকপা। সিএনএসকি নুংঙাইতবা লৈবা মীওইশিংদি মশাগী হীদাক মতম চানা চাবদা অৱাবা ওই (Adherence কি মতাঙদা ফেক্ট সীট ৪০৫ নৈনবীয়ু)

২) লমচৎ-শাজৎ ঃ ৱাখল পীকথরকপা, পুক্লিং লাংতক্পবা, মীনুংশি ৱাৎলকপা অমসুং শাওগনবা।

৩) লেঙ-ওৎপা ঃ হকচাং তুরোই ঙামলোই তৌবা, ফিভম চানা চৎপা ঙমদবা, তপথরকপা, হকচাংগা ৱাখলগা চানরক্তবা, খোঙ-খুৎ নিকপা।

হকচাংগী ফিভম য়েংথোকপদা খুউগী লেঙবা ঙম্বগী চাংদগী খুজেংগীনা হেন্না শোন্থবা অদু খঙদোকপা য়াই।

মেগনেটিক রিজোনেন্স ইমাজিন (এমআরআই), হায়রিবা রেডিওলোজিগী ওইবা থৌওং অসিনা ব্রেনগী টিসুশিংদা লৈবা অকায়বশিং অদু উৎপা ঙম্মী।

**শিংলি নাওরিগী নুংঙাইতবশিং অসি করিনা হেন্না শাথীহনবগে ?**

হায়রিবা নুংঙাইতবশিং অসি থোকহনবা ফিভম কয়া লৈ। ৱাখল পীকথরকপা, হীদাক অমসুং নিশা শিজিন্নবা, হেপাটাইটিস সিনা শোকহল্লবা (ফেক্ট সীট ৫০৭ নৈনবীয়ু), হকচাং পোমখৎলকপা অমসুং ইচম-চম্না হনুরকপনা নুংঙাইতবশিং অসি

থোকহনবা য়াই।

মসিগা লোয়ন-লোয়ননা, সিডি৪ সেল মশিং অসি ২০০ গী মখাদা হৌজিক-হৌজিক লৈবা নৎত্রগা খ্বাইদগী নেম্বা মতমদুদা হায়রিবা সিএনএসকি নুংঙাইতবশিং অসি তোয়না থোক্কল্লি।

ঐচআইভিগা লোয়ননা হিংলিবা মীওইশিং অসিনা কুইনা হিংবগী চাং ৱাংখৎলকপনা শিংলি নাওরিগী নুংঙাইতবশিং অসি থোকহনবদা মতেং পাংগনি। অহল ওইরকপগী নুংঙাইতবশিং অসি ঐচআইভিগা লোয়ননা হিংলিবা মীওইশিংদা খরা থুনা উৎলকপা য়াই।

সিএনএস কি সমস্যাশিং অসি করম্না লায়েংগদবগে ?
করিগুম্বা চারিবা হীদাক অদুগী সাইড ইফেক্টতা শিংলি নাওরিগী নুংঙাইতবা য়াওরবদি, অদোম্না হায়রিবা হীদাক অদু চাবা লেপ্পা মতমদা নুংঙাইতবশিং অদু ফখিগনি। অদুবু মসি থা কয়ামরুম কুইনা চঙবা য়াওই।

সিএনএসকি নুংঙাইতবা লৈবা মীওইশিংদি মশাগী হীদাক মতম চানা চাবদা অৱাবা ওই (এডহিরেন্সকি মতাংদা ফেক্ট সীট ৪০৫ নৈনবীয়ু)। মখোয় অসি হীদাক চাং নাইনা চানবা অহেনবা মতেং দরকার লৈ।

এন্টিভাইরেল হীদাক চাবা মীওইশিংদসু অতোপ্পা শিংলি নাওরিগী লায়না কয়া উথোরকই। মশাদা ইম্যুন রিকন্সটিট্যুসন ইনফ্লেমেটোরি সিন্দ্রোম হায়না খঙনবা ফিভমশিং য়াওই।

অরোয়বা ৱারোল
ইচম চম্না কাওগনবা অমসুং লেপ্পা ঙমদবদগী য়াম্না শাথীবা ডেমেনসিয়া হায়বদি পূক্লিং শোন্থবগী লায়নানচিংবা শিংলি নাওরিগী নুংঙাইতবশিং ঐচআইভিনা থোকহল্লি। হায়রিবা নুংঙাইতবশিং অসি ঐচআইভিনা শোকহনবা কুইরবা মতমদদা উথোরকই। অদুবু ৱাখলগী নুংঙাইতবশিং অসি অতোপ্পা লাইওং অমত্তা লোয়নদবা মীওইশিংদসু অদুমক থোকই।

ঐচআইভিগী লায়েংগীদমক শিজিন্নরিবা অনৌবা লায়েং পথাপশিং অসিনা সেন্ট্রেল নার্ভস সিষ্টেমবু ভাইরস অসিনা য়াম্না শাথিনা শোকহনগদবদগী ঙাকথোকপগুম্না তৌই। অদুবু ঐচআইভিগা লোয়নরিবা মীওইশিংনা পুন্সিবগী চাং অসি হেনগৎলকপগী মতুং ইন্না শিংলি নাওরিগী নুংঙাইতবশিং অসি থোরকই।

শিংলি নাওরিগী অরুবা লায়না নাবা মীওইশিংবু শেন্নবা অসি য়াম্না অৱাবা অমনি। শেন্নবীরিবশিং অদুসু মশানা মশাবু শোকথরকপা অমসুং ৱাখল পীকথরকপদগী ঙাকথোকচনবা হোৎনগদবনি।

***Reviewed December 14, 2010***